# টালিবান লালহৌবশিংনা পাকিস্থানগী য়ুনিভর্সিটিদা লান্দাখ্রে, মহৈরোয় অমদি ওজা ২৫ কাপ্পুনা হাৎখ্রে



চারসাদা (পাকিস্থান), জন্যুৱারী ২০ ঃ
ঙসি পাকিস্থানগী মমিং লৈরবা য়ুনিভর্সিটি অমদা খুৎলাই মতিক চানা পায়বা টালিবান লালহৌবশিংনা থোমজিন্দুনা এটেক তৌখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ২৫ লালহৌবশিংদুনা হাৎখ্রে। টালিবান লালহৌবশিংদুনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংদা টার্গেট তৌদুনা মথোং-মরম খঙদবমখৈ নোংমৈ কাপখিবনি হায়রি।

ঙসি পাকিস্থানগী ঈরাং লৈবা নোর্থ ৱেষ্ট খাইবর পাখতুনখৱা প্রোভিন্সতা লৈবা পেশাৱারদগীনা খা-নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্না চারসাদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বাচা খান য়ুনিভর্সিটিদা খুৎলাই পায়বা টালিবান লালহৌবশিং চঙখি অমসুং মখোয়না ক্লাসরূমশিং অমদি হোষ্টেলশিংদা লৈবা মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংদা নোংমৈনা কাপখি হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিভর্সিটি কেম্পস মনুংদগী বোম পোখায়বগী অমসুং নোংমৈ ময়াম কাপ্পগী মখোলশিং তাখি হায়রি।

পাকিস্থান টেহরিক-ঈ-ইন্সাফ পার্টিগী লিদর অমসুং প্রোভিন্সল লোমেকর সৌকট য়ৌসাফজাইনা হায়খি মদুদি, ঙসি অয়ুক টেররিষ্টশিংনা য়ুনিভর্সিটি অদুদা চথখিবা এটেক অদুদা প্রোফেসর অমা য়াওনা মীওই ২৫ হাৎখি অমসুং মীওই ৫০ রোম্না অশোক-অপন নংখি।

অশোকপশিংদু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুশিনখ্রে লোয়ননা টাউন অদুদা লৈবা হোস্পিটাল পুম্নমক ইমর্জেন্সিগী ফীভম লৈ হায়না লাউথোকখ্রে। এরিয়া অদুদা লৈবা স্কুল অপুন্বা থিংজিনখ্রে হায়রি।

এটেক অদু (টালিবান) লালহৌবা মরিদগী ১০ ফাওবনা চথখিবনি হায়না য়ৌসাফজাইনা ফোঙদোকখি। অসিগুম্বা পাংদবগী এটেক অসিনা টেররিজম থেংননবা গভর্ণমেন্টনা লৌরিবা অচেৎপা ফিরেপ্তা অহোংবা অমত্তা লাকহনবা ঙম্লোই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টালিবান লালহৌবশিংনা এটেক অদু চথখিবা মতুং ঙাইহাক্কী মনুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফমঅদুদা চঙশিনখি অমসুং মহৈরোয়শিং পুথোকখি।

আর্মিগী স্পোক্সমেন লেফটিনেন্ট জেনরেল অশিম সালিম বাজৱানা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ুনিভর্সিটি অদুদগী লালহৌবশিং তকথোক্লবা চথখিবা ওপরেসনদা লালহৌবা মরি হাৎখ্রে।

স্নাইপরশিংনা য়ুমথক্তা পোজিসন লৌদুনা লৈবা টেররিষ্ট অনী হাৎখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পুন্না টেররিষ্ট মরি হাৎখ্রে। য়ুনিভর্সিটিগী বিল্ডিংশিং য়ুমক পুম্নমক আর্মিনা কন্ট্রোল তৌরে। আর্মি ট্রুপশিংনা হৌজিক য়ুনিভর্সিটি ট্রুপশিংদা মথং-মথং চঙদুনা লালহৌবশিং তকথোক্লি হায়না আর্মিগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি। মদুগী মমাঙদা য়ুনিভর্সিটি ব্লোক মনুংদগী নোংমৈ কাপ্লকখিবা লালহৌবা অনী আর্মিনা হাৎখি। য়ুনিভর্সিটি মনুংগী ব্লোক অনীদা লৈবা টেররিষ্টশিং লাকশিল্লে অমসুং ওপরেসন অদুদা ট্রুপশিং অমসুং কম্মান্দোশিংনা শরুক য়ারি। য়ুনিভর্সিটিগী ব্লোকশিংদা লালহৌবশিং থিবগী ওপরেসন লোইশিল্লে হায়রি।

এটেক অদু টেহরিক-ঈ-টালিবান পাকিস্থাননা পাঙথোকখিবনি হায়না গ্রুপ অসিনা ক্লেম তৌখ্রে হায়না এক্সপ্রেস ত্রিব্যুনগী পাউনা ফোঙদোকখি।

ইন্টলিজেন্সকী ছোর্সশিং পল্লদুনা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, টেররিষ্টশিং অদু চহী ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী নহা ঙাক্তনি।

বাচা খান য়ুনিভর্সিটিগী চান্সেল্লর ডা. ফাজল রহিমনা হায়খি মদুদি, খুৎলাই মতিক চানা পায়বা লালহৌবশিংদুনা এটেক অদু চথখিবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি মনুংদা মহৈরোয় ৩০০০ অহেনবা গেষ্ট ৬০০ কা লোয়ননা লৈ। মখোয় লোইনমক কুমজা ১৯৮৮ গী জন্যুৱারী ২০ দা লৈখিদবা খুদাই খিদমটগর খান অব্দুল গফর খান এলিয়স বাচা খানগী কুমওনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা শৈরেংগী সিম্পোজিয়ম অমদা শরুক য়ানবগীদমক্তা য়ুনিভর্সিটিদা পুল্লিবনি।

এটেক অদুদা য়ুনিভর্সিটিগী গার্দ মরি অমসুং পুলিসমেন অমসু হাৎখ্রে হায়না রাহিমনা ফোঙদোকখি।

জিও টি ভিগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টগী প্রোফেসার হমিদ হুশাইনসু এটেক অদুদা শিখিবশিংগী মনুংদা য়াওই হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা য়ুনিভর্সিটি মনুংদগী মীশিং পুথোকপা লোইরবা মতুংদা ওজা অমনা অসুম্না ফোঙদোকখি মদুদি, লালহৌবশিং অদুনা নোংমৈ কাপ্পদা কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টগী চ্যেরমেন হমিদ লৈখিদ্রে। টেররিষ্টশিংদুনা হমিদকী কাদা চঙশিন্দুনা মহাক্কী মকোক্তা নোংমৈনা কাপখি অমসুং মহাক খুদক্তা শিখি হায়না ওজা অদুনা মখা তাখি।

পাকিস্থানগী প্রসিদেন্ট মামনুন হুশাইন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফনা অকি-তুজুং পোকহনবা এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে অমসুং অথুবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি অদুদগী টেররিষ্টশিং তকথোক্লবা সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংদা য়াথং পীখ্রে।

পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর মশানা লৈরিবা ফীভমদু য়েংশিল্লি অমসুং থৌদোক অদুগী দিভলপমেন্ট অপুন্বা মঙোন্দা খঙহল্লি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেননা ফোঙদোকখি।

লালহৌবগী এটেক অদুদা মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া মাঙহনখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর সরিফনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মরাল লৈজদবা মহৈরোয়শিং অমসুং সিটিজনদা খুৎলাই থাবশিং লাইনিং-লাইশোলদা থাজবা লৈতবশিংনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

খাইবর-পাখতুনখৱাগী লোমেকর অর্শাদ অলিনা লালহৌবশিং অদু য়ুনিভর্সিটিগী চেকপল কারগা চঙলকখি হায়না ফোঙদোকখি।

# ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা ফাবা মীওই ৪০০ গী মনুংদা ২৭০ থাদোকখ্রে



বৈরুট, জন্যুৱারী ২০ ঃ
হৌখিবা চয়োলদা সিরিয়াগী ইষ্টর্ন সীটি দৈর অল-জোরদা লৈবা গভর্ণমেন্টনা খুদুম চনবা এরিয়াশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা এটেক তৌদুনা ফাখিবা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা মীওই ৪০০ রোমগী মনুংদা ২৭০ গ্রুপ অসিনা থাদোকখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপ অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস কৌবা মোনিটরিং গ্রুপ অদুগী রিপোর্টনা হায়রি মদুদি, প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল দৈর অল-জোরদা নুমিৎ মরিনি খুৎ থোক্লরিঙৈ মনুংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্টশিংনা রেইদ চথরিঙৈ মনুং হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু মীওই য়াঙ্খ্রে অমসু ফাজিনখি।

গ্রুপ অদুনা চহী ১৪ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপা প্রিজনরশিং ৱাহং-পাউহং তৌনবা থমখ্রে হায়না ওবজার্ভেটরি অদুগী মকোক রামি অব্দুলরাহমননা ফোঙদোকখি।

মখোয়গী মীৎয়েংদা সিরিয়াগী রেজিমগা মরী লৈনবনি হায়বশিং চৈরাক পীগনি অমসুং রেজিম অসিগা মরী লৈনদবশিং অদুনা ইস্লামিক ষ্টেটনা পীবা ইস্লামগী ৱাহন্দোক্তা য়ুম্ফম ওইবা লাইনিং-লাইশোলগী চৎনবী চপ চানা ঙাক্কদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

দৈর অল-জোরদা মীচমশিংগী মায়োক্তা মীহাৎ-মীপুন অমসুং অকি-অখং পোকহনবগী থৌওংশিং চথখিবদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কন্দেম তৌখ্রে অমসুং মদুদা চেন্নবশিং তৌফম থোকপা তৌগদবনি হায়খ্রে। লানফা ওইনা ফাজিনখিবা মীচমশিং অমসুং আই এস আই এসনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওই খুদিংমক খুদক্তা অমসুং কন্দিসন অমত্তা থমদনা থাদোক্লবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী স্পোক্সমেন মার্ক টোনরনা হায়খি।

থাদোক্লবা মীচমশিং অদু দৈর অল-জোর প্রোভিন্সতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা য়েংশিনবা খুঙ্গংশিংদা লৈহনগনি হায়রি। দৈর অল-জোরনা ইস্লামিক ষ্টেটকী দে ফেক্তো কেপিটেল রাকাগা য়ুমলোন্নবা ইরাক্তা লৈবা গ্রুপ অসিনা কন্ট্রোল তৌবা লমগা শম্নহল্লি হায়রি।

# জিহাদি জোন শিরে হায়না আই এসনা লাউথোকখ্রে



লন্দন, জন্যুৱারী ২০ ঃ
হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী ওগষ্ট ১৯ দা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট জেমস ফোলিবু মঙক কক্পগী শক্তম উৎপা য়ু ট্যুবতা থাদোরকখিবা ভিদিও অমা মালেম পুম্বনা কি-হঙ্গৈইনা য়েংনখি।

ভিদিও অদুদা কমলা মচুগী জম্পসুট অমা শেৎখিবা ফোলিবু লৈঙোই লমদা খুরু খুদক কুল্লগা লৈহনখি। মহাক্কী হেক নাকলদা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্ট অমনা ফোলিগী মথৌরিদা থাঙ মচা অমা থল্লগা লৈখি। মিলিটেন্ট অদু মমিৎখক্তমক ফাৎলগা মশা পুন্বা অমুবা ফীজোলনা কুপশিনবা উখি।

জর্নেলিষ্ট ফোলিনা ৱাহৈ খরা ঙাঙলবা মতুংদা মায়খুম উপ্পা আই এসকী টেররিষ্ট অদুনা মীফা অদুগী মঙক লেনবা হৌরকখি। মঙকতু পুংতুপ তুপত্রিঙৈগী মমাঙদা ভিদিও অদু মমখি। ভিদিও অদুনা মম্লুরগা ঙাস্থোরকপদা মীফা অদু মকোক্লো তোঙান্না নাকলদা লৈরগা লৈমায়দা শিরগা তারমখি।

ভিদিও অদুনা লোইরকপদা টেররিষ্ট অদুনা অনীশুবা নুপা অমা উৎখি। মহাক ষ্টিভেন সোট লোফ কৌবা অতোপ্পা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট অমনি হায়না শক্তাকপগা লোয়ননা মহাক মথং হাৎপা য়াবা মীফানি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

ভিদিও অদুনা মালেম পুম্ববু কিহনখিবা চয়োল অনী লৈরগা সোটলোফপু আই এসকী মায়খুম উপ্পা মীশক্তুমক্লা মঙক লেন্দুনা হাৎপগী অতোপ্পা ভিদিও অমসু থাদোরকখি।

মসিগী মীনুংশি য়াওদবা তমথীবা মতৌ অসিনা মরম ওইদুনা মিদিয়ানা ‘জিহাদি জোন’ হায়না মমিং থোল্লবা আই এসকী টেররিষ্ট মহমদ ইমৱাজি মালেমদা খ্বাইদগী ফৎত্রবা অমসুং তুক্কৎচনবা মীশিংগী মনুংদা অমা ওইরকখি।

ইমৱাজিগী করেম্লনা থোনবা ‘জিহাদি জোন’ হায়বা মিং অসি তাবদা বৃটিশকী খোঞ্জেল মানবা মিলিটেন্ট অসিদা বীটলসকী মেম্বর জোন লেননগী মমিং লৌদুনা থোনবনি হায়না আই এসকী মখুৎতগী নাম্থোরক-খিবশিংনা ফোঙদোক্রে হায়রি।

হোষ্টেজ কয়া মীনুংশি য়াওদনা মঙক লেন্থুৎতুনা হাৎপগী ভিদিওশিং য়েংহন্দুনা মহাক্না মালেম পুম্বা তুজুংহনখি। ভিদিও খুদিংমক্তা ৱা ঙাঙখি অমসুং নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংবু অকনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নদুনা চৈ থাংখি।

আই এসকী লিদর অবু বাকর অল বাখদাদি অমসুং মহাক্কী মহুৎ শিনবা য়াবশিংগী হেক মথংদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংগী টোপ টার্গেটশিংগী মনুংদা য়াম্না থুনা ইমৱাজিসু অমা ওইরকখি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৫গী নভেম্বর ১২ দা য়ু এসনা চথখিবা দ্রোন এটেক অমদা ইমৱাজি শিখি হায়বগী রিপোর্ট লৈখি। মতম অদুদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মিলিটরিনা পীবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মহাক দ্রোন্না চথখিবা এটেক অমদা শিরে হায়বসি মরম চানা শোইদ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

জিহাদি জোন হায়না খঙনবা মহমদ ইমৱাজি শিরে হায়বসি ঙরাং আই এসনা কনফর্ম তৌখিবনি।

টেররিষ্ট গ্রুপ আই এসকী ওনলাইন মেগজিন দাবিকনা ফোঙদোকখিবা অমদা হৌখিবা নভেম্বর ১২ দা রাকা সীটিদা মী তোংদবা দ্রোন অমনা মহাক্কী কারদা এটেক তৌখি অমসুং মদুদা কার অদু অমাঙ-অতা থোকপগা লোয়ননা মহাকসু খুদক্তা শিখ্রে হায়খি।

# সুইসাইদ বোম্মরনা মিদিয়াগী মীওইশিংদা এটেক তৌখ্রে



কাবুল, জন্যুৱারী ২০ ঃ
অফঘানিষ্টানগী মীয়াম্না পান্নরবা টি ভি চেন্নেল টোলোগী ইমপ্লোয়ীশিং পুবা মিনি বস অমদা ঙসি সুইসাইদ বোম্মর অমনা এটেক তৌদুনা মীওই ৭ হাৎখ্রে।

টালিবাননা থা খরগী মমাঙদা টি ভি নেটৱার্ক অদু লিজিটিমেট মিলিটরি টার্গেটনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ঙসিগী এটেক অদু চথরকখিবনি।

দাউন টাউন কাবুলগী রসিয়ন এম্বেসিদা চথখিবা বোম্মিং এটেক অদুদা মীওই ২৬সু অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা গ্রুপ অমত্তনা ঙসিগী থৌদোক অদু ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

থৌদোক অদু অফঘানিষ্টানদা মিদিয়া ওর্গনাইজেসন অমদা ইহান হান্না চথবা মরুওইবা এটেক অমনি হায়রি।

“টোলোগী ষ্টাফ পুবা ঐখোয়গী ওফিসকী বস অমা এটেক তৌরকখি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা চেন্নেল অদুগী ইমপ্লোয়ী অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

সুইসাইদ বোম্মিং অদুনা ষ্টাফ মেম্বর খরসু বস মনুংদা মৈ চাকহনখি হায়না অতোপ্পা ইমপ্লোয়ী অমনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, বস অদুদা তোংলিবা অয়াম্বা চেন্নেল অদুগী গ্রাফিক অমসুং দব্বিং দিপার্টমেন্টশিংগী সীনগী মরুমদা থবক তৌবা ৱার্করশিংনি। বোম পোকখায়বগী অহৌবা মখোল অদুনা অতিয়াদা অচৌবা মৈখু মপৈ অমা থাগৎলকখিবগা লোয়ননা অচাকপা অকায়-অতোয় কয়া তাদুনা লৈরিবা মফম অদুদা এম্বুলেন্স অমসুং ফায়র ফাইটরশিং চঙশিনখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা এটেক অদুদা মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং ২৪না অশোক অপন নংখ্রে হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ওক্টোবর থাদা টালিবাননা লন্নাই মীওইশিংনা রন তৌবা ন্যুজ ষ্টেসনশিং ওইরিবা টোলো অমসুং ৱান টি ভিবু য়েৎননীংঙাই লৈত্রবা মিলিটরি টার্গেটশিংনি হায়না লাউথোকখি।

হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরগী অথেংবা শরুক্তা অফঘানিষ্টানগী নোর্দন সীটি কুন্দুজবু টালিবাননা মতম খরা খুদুম চন্দুনা থমখিবা মতমদা মফম অসিদা লৈবা নুপীগী হোষ্টেল অমদা লৈবা নুপীশিংবু টালিবান ফাইটরশিংনা রেপ তৌখি হায়না ক্লেম তৌবা ন্যুজ চেন্নেলশিং অদুগী রিপোর্টশিংগী পাউখুম ওইনা খোঙথাং অদু লৌখৎলকপনি হায়না টালিবাননা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুজ চেন্নেলশিং অদুনা পীরিবা পাউশিং অদু পংশাদা শাজিনবা, য়ুম্ফম য়াওদবা পাউ ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা টালিবাননা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি “সাটানিক নেটৱার্কশিং” অদুনা চথবা প্রোপেগন্দা কেম্পেনগী খুদমশিংনি।

অফঘানিষ্টানদা জর্নেলিষ্টশিংনা খুদোংথীবশিং মায়োক্লবা হেঙ্গৎলক্লি হায়বা উৎপা ঙসিগী এটেক অদু টালিবানগা নৌহৌননা পিছ তোক চথবা য়ানবগী পান্দমদা কাবুলদা পাঙথোক্কদবা লৈবাক মরিগী মীফমগী অনীশুবা রাউন্দ লোইখিবা নুমিৎ নীনী খক লৈরগা চথরকখিবনি।

চহী ১৪শুরবা টালিবানগী ঈরাং অদু লোইশিন্নবা ৱা খন্ননবগীদমক হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা কাবুলদা অফঘানিষ্টান, পাকিস্থান, চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা নোংমগী মীফম অমা পাঙথোকখিবনি।

# ইস্লামিক ষ্টেটনা অরিবা খৃষ্টিয়ন মোনাষ্ট্রি থুগাইখ্রে



ইরবিল (ইরাক), জন্যুৱারী ২০ ঃ
ইস্লামিক ষ্টেটনা মমাংঙৈগী কলচরগা মরী লৈনবা পোৎশকশিং নৎত্রগা মফমশিং হালেংদনা মাঙহন-তাকহনবগী থবক লেপ্তুনা চথরকখিবগা লোয়ননা অসিগুম্বা মাঙহন-তাকহনবগী থবক অমদা ইরাক্তা লৈবা খ্বাইদগী লীরবা খৃষ্টিয়ন মোনাষ্ট্রি পুংথু থুগাইখ্রে অমসুং মফম অদু অকাই-অতোইগী লৌবুক অমা ওন্থোকখ্রে।

চহী ১৪০০ রোম কম্পাউন্দ অদু মহৌশাগী ওইবা মাঙ-তাকপগী থৌদোকশিংনা নৎত্রগা মীশিংনা চথবা থৌদৌশিংনা থোইদোক্লা শোকহনবা ঙমদনা লেংদনা লৈরকখি। হন্দক্তা মদু য়ু এসকী লান্মীশিংনা লাই খুরুমফম ওন্থোকখি।

মমাঙঙৈগী চহী চা কয়াদা মীরোল কয়াগী লাইনিংবশিংনা কেন্দল চুখৎতুনা অঙৈংবা চাপেলদা লাই খুরুম্নরম্মী। মদুগী চঙফম মনাক্তা খৃষ্টকী মিংগী মহুৎ শিল্লদুনা গ্রীক্কী ময়েক অনী চি অমসুং রো হল্লগা লৈ। মোসুলদা লৈবা সেন্ট ইলিজাগী মোনাষ্ট্রি লৌবা য়াদনা থুগাইখ্রে হায়না চর্চ ওথোরিটিশিং অমসুং প্রিজার্ভেসনিষ্টশিংনা কীনা চিংনদুনা লাকপদু হৌজিক্তি, সেটেলাইটকী ফোটোশিংনা কনফর্ম তৌরে হায়রি।

ইরাক্কী ইর্বিলদা লোই ওইনা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা রেভরন্দ পোল মাবিট হাবিবনা মতম অমদা মহাক্কী হোমটাউন মোসুলগী মনাক নক্লা লৈবা চীংগী মখোঙদগী খরা কাখৎলগা তোংদুনা লৈরম্বা মোনাষ্ট্রি অদুগী হান্নগী শক্তমশিং অমসুং থুগাইখ্রবা মতুংদা ওইরিবা শক্তমশিংদা তপ্না য়েংখি। ফোটোশিংদু উবদা মীপাইবা পোকপগা লোয়ননা মহাক্না মথক্কী লৈজবা ফোটোশিংগা চাংদম্নখি।

মসি খৃষ্টিয়নশিংবু মফমসিদগী তান্থোক্লবা চথরকপা থবক অমনি। ঐগী অৱাবসি করম্না ফোঙদোক্কদগে খঙদে হায়না মহাক্না অরাবিক লোলদা হায়খি। মোসুলদা লৈবা ঐখোয়গী খৃষ্টিয়ন মোনাষ্ট্রিবু য়াম্না তমথীনা লৈতেম মান্নহল্লে। মসি ঐখোয় লমদম অসিদা লৈরম্মী হায়বগী খুদম মাংহনবনি, ঐখোয়বু ইরাক্তগী তান্থোক্লবা হোৎনরকপা অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অলকাইদাদগী কাইখিবা অমসুং হৌজিক্লা ইরাক অমসুং সিরিয়াগী শরুকশিং পাক চাওনা কন্ট্রোল তৌরিবা আই এস গ্রুপনা মীচম লিশিং কয়া হাৎখ্রে, খৃষ্টিয়ন লিশিং চা কয়া নম্ফুন্দা চেন্থোকহনখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা চহী ২০০০ খাঙদুনা লাক্লবা লাইনিং-লাইশোলগী লম্বী অমদা চাওনা অকিবা পোকহল্লে হায়রি।

ইস্লামিক ষ্টেটকী ফাইটরশিংনা চঙউ-চঙউবা মফমশিংদা থেংনবা মখোয়গী ইস্লামগী ৱাহন্থোক্কী তায়োন্নে খনবা বিল্ডিং কয়া অমসুং পুৱারী অমসুং নাৎকী ওইবা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা মরু ওইবা ষ্ট্রক্টচর কয়া থুগাইদুনা মাঙহনখ্রে।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪গী জুন থাদা কা হেনবা চৎপশিং অদুনা মোসুলদা থোমজিন্দুনা টাউন অসিবু মপানগা ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনহন্দনা থমখিবা মতমদা মোনাষ্ট্রি অদুবু খঙবশিংনা মদুগী মরাইবক করি ওইগদগে খনবদা ৱাখল মমখি।

হৌজিক্তি সেন্ট ইলিজাগী মতুংদা সিরিয়া অমসুং ইরাক্তা লৈবা লাইনিং লাইশোল অমসুং পুৱারীগা মরী লৈনবা মফম ১০০গী মথক্তা ইস্লামিক ষ্টেটনা মাঙ তাকহনখ্রে। মখোয়না মাঙ তাকহনখিবশিং অদুদা মোস্ক, মোংফম ফুৱা, লাইফম অমসুং চর্চশিং য়াওরি। কা হেনবা চৎপশিং অদুনা নিনেভেহ, পুলমাইরা অমসুং হাতরাদা লৈবা অরিবা মতমগী নিংশিং খুভম কয়া মশক ওন্থোকখ্রে নৎত্রগা মাঙ-তাকহনখ্রে। ম্যুজিয়ম অমসুং লাইব্রেরি কয়া লুট তৌখ্রে, লাইরিক কয়া মৈ থাখ্রে আর্টকী পোৎশক কয়া থুগাইখ্রে নৎত্রগা য়োন্থোকখ্রে হায়রি।

# রসিয়ন এয়রফোর্সনা বোম থাদখ্রে

মোস্কো, জন্যুৱারী ২০ ঃ ইস্লামিক ষ্টেটকী জিহাদিষ্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবা সিরিয়াগী প্রোভিন্স দৈর ইজোরগী মফমশিংদা রসিয়ন এয়রক্রাফটশিংনা বোম থাদদুনা এটেক তৌখ্রে হায়না রসিয়ন মিলিটরিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। নোংজু-নুংশাগী ফীভম ফক্তবনা মরম ওইদুনা অমসুং মীচমশিংদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা রসিয়ন মিলিটরিনা লটাকিয়া অমসুং দৈর ইজোর হায়রিবা প্রোভিন্সশিংদমক মিলিটরি ওপরেসনশিং চথখি হায়না রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সীশিংনা মিলিটরিগী স্পোক্সমেন কোনাসেনকোবকী ৱারোল পল্লদুনা ফোঙদোকখি।

# হেংওভর লৈতবা য়ু নোর্থ কোরিয়ানা পুথোকখ্রে

পিয়োংয়োং, জন্যুৱারী ২০ ঃ
য়ু কা হেন্না থকচিল্লুরবা মতুংদা কোক চিকপা, লুম্বনচিংবা হকচাংদা নুংঙাইতবা অমত্তা থোকহন্দবা মালেমগী অহানবা য়ু পুথোক্লে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী সাইন্টিষ্টশিংনা ক্লেম তৌখ্রে। মদু থক্লুবশিং য়েংবদা নুংঙাই মশা খিংই অদুনা য়ু অদু পান্না থক্লে হায়না সাইন্টিষ্টশিংদুনা ক্লেম তৌখি।

কোরয়ো লিকর কৌবা য়ু অদু জিনসেংদগী শেম্বনি অমসুং মদু ষ্টেটকী টাইদোংগাং ফুদ ষ্টফ ফেক্টরিদা শুংলি হায়না পিয়োংয়াং টাইমসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না, ফেক্টরি অদুদা সাইন্টিষ্টশিংনা চহী কয়ামুক য়ু শুংবদা চিনিগী মহুত্তা চাক-চাগানা মহুৎ শিনবা য়ানবা কন্না হোৎনদুনা লাকপনি। অসুম তৌরবদি য়ুগী খাবা অমসুং কা হেন্না থকচিল্লুরগা কোক চিকপা, লুম্বা অমসুং অতৈ নুংঙাইতবা কয়া (হেংওভর) পোকপদু লৈহন্দে। হৌজিক্তি প্রোসেসতু মায় পাক্লে হায়রি।

কোরয়ো য়ু অদু হিদাক্কী মগুন য়াম্না ৱাংনা য়াওবা চহী তরেৎ শুরবা জিনসেং অমসুং তাক্কী-চাগাদগী শুংবনি, থকপদা হকচাংদা নুংঙাইহনবতা নৎতনা কা হেন্না থকচিনবদসু হেংওভর লৈতে অদুনা এক্সপার্টশিং অমসুং য়ু থকপশিংনা থাগৎনৈ অমসুং পান্নে হায়না পিয়োংয়াং টাইমসকী রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা হেংওভর লৈতবা য়ুনি হায়বা ক্লেম অদুবু এক্সপার্ট কাঙবু অমনা করেম্নখ্রে অমসুং কা হেন্না থকচিল্লবদি হেংওভর লৈরোইদবা য়ু অমত্তা লৈতে হায়খ্রে।

চোসোন এক্সচেঞ্জগী রিছার্চ দিরেক্টর অন্দ্রে অব্রাহামিয়ননা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াদা অফবা মখলগী য়ু খরদি ফংই অদুবু হেংওভর থোকহন্দবা য়ু হায়বসিদি মালেমগী মফম অমত্তদা লৈতে।

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.
PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))
Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.
4G
Only at Rs. 5699/-
* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5” FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)
2300mAh
HL-B/2895/13/01-12/02